# ত্রিভেন্দ্র সিংহ রাৱটপু উত্তরখন্দগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



দেহরাদুন, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা ত্রিভেন্দ্র সিংহ রাৱটপু ঙসি উত্তরখন্দগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। গভর্ণর কৃষ্ণ কান্ত পোলনা রাৱটপু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

অতোপ্পা মিনিষ্টর মাপনসু রাৱটকা লোয়ননা ৱাশক লৌখি। কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি, সতপাল মহারাজ, হারক সিংহ রাৱট, মদন কৌসিক, অর্বিন্দ পান্দে, সুবোধ উনিয়াল, য়াস্পাল আরিয়া, প্রকাশ পন্থ, রেখা আরিয়া অমদি ধন সিংহ রাৱটনি।

ইরাই নুমিৎতা বি জে পিগী লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা খনখ্রবা ত্রিভেন্দ্র সিংহ রাৱট ৱাশক লৌবগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নাদ্দা অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর উমা ভারতিনচিংবা লুচিংবা কয়ামরুম শরুক য়াখি। উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা কোংগ্রেস লীদর হরিশ রাৱটসু ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা নক্কুবা মীশক অমা ওইরিবা রাৱটনা মমাঙদা পাল্লম্বা উত্তরখন্দগী বি জে পি গভর্ণমেন্টতা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইরম্মী।

দেহরাদুনগী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা রাৱটপু উত্তরখন্দগী মাপনশুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। মশাগী চহী ৫৬ শুরবা রাৱটনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা সীট মশীং য়াম্না ফংবা ঙমখি।

দিল্লিদগী লাকপা পার্টিগী সিনিয়র লীদরশিং- তোমার, সরোজ পান্দে, ধর্মেন্দ্র প্রধান, শ্যাম জাজু অমদি জে পি নাদ্দা, লোয়ননা বি জে পি উত্তরখন্দ য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অজয় ভাটনা রাৱটপু ষ্টেট অসিগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনবা খনখিবনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি মদুদি, চীফ মিনিষ্টর ত্রিভেন্দ্র সিংহ রাৱটনা লুচিংবা উত্তরখন্দ গভর্ণমেন্টনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা হোৎনগনি।

গভর্ণর কৃষ্ণ কান্ত পোলনা রাৱটপু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, ত্রিভেন্দ্র সিংহ রাৱট অমদি ঙসি ৱাশক লৌখিবা অতৈ মিনিষ্টরশিংগী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মীয়াম্না থাজবা থমদুনা বি জে পিবু মীখলদা মায় পাকহনখিবা মরম্না অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা হোৎনগনি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা উত্তরখন্দগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা অপূনবা সীট ৭০গী মনুংদা ৫৭ ফংবা ঙমখিবনি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা দোইৱালা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইখিবা রাৱটনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্কুবা লম্বা ওইখিবা কোংগ্রেসকী হীরা সিংহ বিস্তপু ভোট ২৪,০০০ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি।

রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)তগী হৌরকখিবা রাৱটনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহগা নক্কুবা মরী থম্নবগা লোয়ননা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখলদা বি জে পিবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা রাৱটনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা ষ্টেট অসিগী লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৭মক্তা বি জে পিগী মীরেপশিং মায় পাকহনখি। ঝরখন্দদা বি জে পিনা মায় পাকখিবগী মতাংদসু মহাক্না মরুওইবা থৌদাং লৌখি।

কুমজা ১৯৮৩ দা আর এস এসকী থৌমী অমা ওইনা হৌরকখিবা রাৱটনা উত্তরখন্দগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ওইরকখি। কুমজা ২০০২ দা মহাক অহানবা ওইনা দোইৱালা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মীখলদা মায় পাকখি। কুমজা ২০০৭ কী এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা মায় পাক্তুনা গভর্ণমেন্ট শেম্লবা মতুংদা রাৱটনা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইবা ঙমখি। মতমদুদগী হৌরগা কুমজা ২০১২ ফাওবা মহাক ষ্টেটকী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরকখি।

# যোগী অদিত্যনাথবু উত্তর প্রদেশকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি



লক্ষ্ণৌ, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেট অমা ওইরিবা উত্তর প্রদেশতা কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়াম্না খঙনিংবদা লাংতক্করিঙৈগী চৈরক্তা যোগী অদিত্যনাথবু ফম অসি পায়হন্নবা খনখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা সেন্ট্রেল ওবজার্ভরশিং- য়ুনিয়ন মিনিষ্টর এম ভেনকায়া নাইদু অমদি নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ভুপেন্দ্র যাদব, বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওম মাথুর, পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট কেসব প্রসাদ মোরিয়া অমদি অতৈ সিনিয়র লীদরশিং শরুক য়াদুনা লোক ভৱনদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা যোগী অদিত্যনাথবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখিবনি।

অদিত্যনাথনা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর ওইবনা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না থাজনরবসু ওপোজিসননদি কাঙলূপ নাইবা পোলিটিক্স তৌই হায়না মরাল শীনবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা শোয়দনা ফংলগনি।

গোরখপুরদগী মায় পাক্লক্তুনা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওইরিবা যোগী অদিত্যনাথবু য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী বি জে পি এম এল এশিংনা মোত অমত্তা ওইনা য়ানবা পুরকখি। বি জে পিগী এম এল এশিংনা মীফম পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা যোগী অদিত্যনাথ, ভুপেন্দ্র যাদব, ওম মাথুর, কে পি মোরিয়া অমদি সুনিল বন্সালনচিংবা পার্টিগী মরুওইবা লুচিংবশিংনা তোখায়বা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়ু পিদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি।

য়ু পিগী গোরখপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্তুনা মঙারক এম পি ওইরবা যোগী অদিত্যনাথকী অশেংবা মমিং অজয় সিংহ কৌই। মহাক রাজপুট ইমুং অমদগী হৌরকপনি।

ঐচ এন বি গরৱাল য়ুনিভর্সিটিদগী সাইন্সতা বেচেল্লর'স দিগ্রী লোইশিল্লকখিবা মীওই অসি হিন্দু যুব বাহিনি কৌবা সোসল, কলচরেল অমদি নেসনেলিষ্ট গ্রুপ অমগী ফাউন্দরনি। যোগী অদিত্যনাথবু মহাক্কী কেবিনেট কলিগশিংগা লোয়ননা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদা গভর্ণর রাম নাইকনা কান্সিরাম স্মৃতি উপভানদা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগদৌরি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ু পিগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা অপূনবা সীট ৪০৩গী মনুংদা সীট ৩১২ ফংবা ঙমখি। বি জে পিগা চৎমিন্নবা অপনা দল (সোনিলাল) অমদি সুহেলদেব ভারতিয়া সমাজ পার্টিনা মথংশিংনা সীট ৯ অমসুং ৪ ফংবা ঙমখি।

যোগী অদিত্যনাথবু য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি হায়না লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনোজ সিনহা অমদি বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট কেসব প্রসাদ মোরিয়ানা চীফ মিনিষ্টর ওইরবা য়াই হায়না তোঙান-তোঙানবা ছোর্সশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাশক লৌবগী থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবশিং শরুক য়াহন্নবগী মতাংদা মাঙজৌননা চেবাও পীখ্রে হায়না পার্টিগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখি।

ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, যোগী অদিত্যনাথবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লবা মতুংদা বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট কেসব প্রসাদ মোরিয়া অমদি দিনেস শর্ম্মবু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখি। লক্ষ্ণৌদা ঙসি যোগী অদিত্যনাথনা গভর্ণর রাম নাইক উনদুনা বি জে পিগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মতাংদা ক্লেম তৌখি।

বি জে পিগী লুচিংবশিংনা যোগী অদিত্যনাথপু উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা পার্টি অসিগী সপোর্টরশিংনা ভারানাসিদা হরাওবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। ছটিশগরগী চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহ, মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা যোগী অদিত্যনাথপু য়ু পিগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লকপদা থাগৎপা ফোঙদোকপগী পাউজেল থারকখি।

# বি এস এফনা ট্রাইবেল অহুম হাৎখিবগী মায়োক্তা কৌখিবা বন্দনা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহনখ্রে



অগরটালা, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
সাউথ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী সব্রুম সব-দিভিজনদা বি এস এফনা নোংমৈ কাপ্পদা ট্রাইবেল অহুম শিখিবগী মায়োক্তা সী পি আই-এমনা কৌখিবা বন্দনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

চিতাবারিদা ঙরাং বি এস এফকী জৱান অহুম্না ট্রাইবেল নুপী অমা মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনখি হায়বা ৱাহৌদগী খুঞ্জাশিং হৌরক্তুনা বি এস এফকা মুক্কবগী থৌদোক অমা থোকখি। মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা বি এস এফনা নোংমৈ কাপ্পদা নুপী অদু য়াওনা মীওই অহুম শিখি।

অমরোমদা, বি এস এফনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা নুপী মোলেষ্ট তৌবগী ৱাফম অদু অরানবনি হায়না শেংদোরকখি। শা-ষণ হুরানবা কাঙবু অমা ফানবা হোৎনরদুনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অহুম শিখিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, সী পি আই-এমনা কৌখিবা বন্দনা মরম ওইরগা ঙসি মরুওইবা কৈথেল পুম্নমক ইহাঙ হাঙখি। দুকান পুম্নমকসু থোঙ লোন্নখিবগা লোয়ননা লম্বীদা গাড়ী অমত্তা চেনখিদে। গভর্ণমেন্টকী ওফিস, বেঙ্ক অমদি ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিংদা মীওই অমত্তা থবক কানরকখিদে। সব্রুমদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা কোলেজ অমদি অতৈ স্কুলশিংসু থোঙ লোনখি।

খুঞ্জাশিংনা ফাইল তৌরকখিবা এফ আই আর পল্লদুনা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ভানুপরা চক্রবর্তিনা হায়খি মদুদি, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ট্রাইবেল নুপী অমনা রব্বর পাম্বী থাফম লৌবুক্তগী চিতাবারিদা লৈবা ময়ুম তম্না হল্লকপগী লম্বীদা বি এস এফকী জৱান অহুম্না মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনখি। নুপী অদুনা খোঞ্জেল হৌনা লাউরকপদগী মনাক নক্কা লৈরম্বা খুঞ্জাশিং চেন্থোক্লরকখি। বি এস এফনা খুঞ্জাশিং তান্থোক্লবা নোংমৈ কাপ্পদা নুপী অদু য়াওনা মীওই অহুম শিখিবনি হায়না এফ আই আরদা পল্লি।

লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুদি, সুরালক্ষ্মী ত্রিপুরা (২০), মিন কুমার ত্রিপুরা (৩৮) অমসুং পদ্মা কুমার ত্রিপুরা (৩৭) নি। জিবন ত্রিপুরা অমদি শ্যাম চন্দ্র ত্রিপুরা কৌবা মীওই অনীসু অশোক-অপন নংবদগী সব্রুম হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়না এস পিনা ফোঙদোকখি।

চিতাবারি হায়রিবা ট্রাইবেলশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অসি বাংলাদেশকা লোন্নবা বঙ্গাগর বোর্দর আউটপোষ্ট মনুং চন্না লৈবনি। ট্রাইবেল মীয়াম্না মখা তাবা খোঙজং চঙশিল্লক্তুনা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মফম অদুদা ইন্সপেক্টর জেনরেল কে ভি শ্রিজেস অমদি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস তপন কুমার দেববর্মানা লুচিংবা পুলিসকী অচৌবা টিম অমা থুংলখ্রে।

ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মানিক সরকারনা থৌদোক অদুগী মতাংদা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস কে নাগরাজ অমদি চীফ সেক্রেটরি সঞ্জিব রঞ্জনগা উনদুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

# দিল্লিদগী মাঙখিবা মুস্লিম ক্লেরিক অনী পাকিষ্টানগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীগী কষ্টদিদা লৈরি : রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
দিল্লিদগী মাঙখিবা মুস্লিম ক্লেরিক অনী মুটাহিদা ক্বামি মুভমেন্ট (এম ক্যু এম)গী লুচিংবা অল্টাফ হুসেনগা মরী লৈনরম্বগীদমক পাকিষ্টানগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীনা ফাজিন্দুনা থম্লি হায়না ওফিসল ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, মার্চ ৮ দা দিল্লিগী নিজামুদ্দিন দর্গাহদগী পাকিষ্টানদা চৎখিবা সয়িদ অসিফ নিজামি অমদি নাজিম নিজামিনা লাহোর এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুংদা মফম খঙদনা মাঙখিবনি। মখোয় অনী লাহোর এয়রপোর্টতগী প্লেন তোংদুনা কারাচি তম্না চৎকদবনি।

পাকিষ্টানগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সী অমগী ওফিসলশিংনা মখোয় অনীবু লাহোর এয়রপোর্টতগী ফারগা ৱাহং-পাউহং চথনবগীদমক মফম অমদা লোন্না পুখিবনি হায়না মশক মমিং তাকথোক্লীংদবা ছোর্স অদুনা ফোঙদোকখি। মখোয় অনীমক কারাচিদা লৈবা অল্টাফ হুসেনগী মীওইশিংগা অরোনবা মরী থম্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী ফাজিনখিবনি। করিগুম্বা মখোয় অনীনা অল্টাফ হুসেনগা মরী লৈনরমদবা থোক্লবদি অথুবা মতমদা তেক্ত-কায়দনা থাদোরক্লগনি হায়রি।

মুস্লিম ক্লেরিক অনী মাঙখিবগী মতাংদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা পাকিষ্টানগী ইন্টর সার্ভিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই)দা মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা স্বরাজনা হায়খি মদুদি, কারাচি এয়রপোর্টতগী মফম খঙদনা মাঙখিবা সয়িদ অসিফ নিজামি অমদি নাজিম নিজামিবু আই এস আইনা ফাজিল্লম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ। হীরম অসিগী মতাংদা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানদুনা মাঙখ্রবা মীওই অনী অদুগী খোঙ্গুল লীবীনবা হায়জখ্রে হায়না সুস্মা স্বরাজনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিল্লিগী নিজামুদ্দিন দর্গাহদা হেদ প্রিষ্ট ওইনা লৈবা সয়িদ অসিফ নিজামি য়াওনা ইন্দিয়াগী ক্লেরিক অনী লাহোরগী মমিং চৎলবা দাটা দর্বার স্রাইনদা চৎপগী লম্বীদা আই এস আইনা মরম চাদনা ফাজিনখিবগী মতাংদা মরী লৈনবা পাকিষ্টানি ওফিসলশিংগা ৱারী শানরে হায়না গভর্ণমেন্টকী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, এম ক্যু এমগী লুচিংবা অল্টাফ হুসেন হৌখিবা চহী ২৪ রোম লন্দনদা লৈরকখিবনি। ইস্লামাবাদনা হুসেন অমদি মহাক্না লুচিংবা এম ক্যু এমগী মীওইশিং টেররিষ্টনি হায়না মরাল শীরি।

লন্দনদা চেন্দুনা লৈরিবা অল্টাফ হুসেন অমদি মহাক্না লুচিংবা এম ক্যু এমনা মতাং মতমগী মতুংইন্না পাকিষ্টানগী পোলিটিক্সতা খুৎ থিংজিন্দুনা লাকখি।

পাকিষ্টানগী আই এস আইনা ফাজিন্দুনা থম্লিবা মশাগী চহী ৮০ শুরবা সয়িদ অসিফ নিজামিনা হৌজিক -হৌজিক হজরট নিজামুদ্দিন ওলিয়া দর্গাহগী হেদ প্রিষ্ট ওইনা লৈবনি। মহাক্না নাজিম নিজামিগা লোয়ননা দাটা দর্বার তম্না চৎপগী লম্বীদা এম ক্যু এমগা মরী লৈনৈ হায়না চিংনবগীদমক আই এস আইনা ফাজিনখিবনি হায়রি। মহৌশাদগী হৌনা নিজামুদ্দিন দর্গাহ অমদি দাটা দর্বারগী ক্লেরিকশিং অমনা-অমগী মফমদা চৎথোক-চৎশিন তৌদুনা লাকখিবনি।

# জে কে এল এফকী লুচিংবা য়াসিন মালিক পুলিসনা ফাখ্রে

শ্রীনগর, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
শ্রীনগর অমদি অনন্তনাগ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সনদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ভোট থাধবা য়ারোই হায়না সেপরেটিষ্টশিংনা কিহল্লকখ্রবা মতুংদা পুলিসনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর লিবরেসন ফ্রন্ট (জে কে এল এফ)কী লুচিংবা য়াসিন মালিক ফাখ্রে।

জে কে এল এফকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, শ্রীনগরগী ময়োলমক্তদা লৈবা জে কে এল এফকী ওফিসতা পুলিস কাঙবু অমা লাক্লগা য়াসিন মালিকপু ইলেক্সন বোইকোট তৌবগী খোঙজংদা শরুক য়াবা ঙমহন্দনবগীদমক ফাজিনখিবনি। জে কে এল এফ অমদি সয়িদ অলি শাহ গিলানিনা লুচিংবা হুরিয়ট কনফরেন্সনা মীখল বোইকোট তৌনবগী মতাংদা অপূনবা থৌরাং অমা লৌখৎপা লৈখ্রবনি। লূপ অনী অসিগী মীওইশিংনা গন্দরবাল অমদি বদগাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা মীয়ামবু ভোট থাধবা থোক্লক্তনবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, এপ্রিল ৯ অমসুং এপ্রিল ১২ দা মথংশিংনা শ্রীনগর অমদি অনন্তনাগ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

ইরাই নুমিৎতা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়াসিন মালিকনা হায়খি মদুদি, মীখলদা শরুক য়াবা নৎত্রগা বোইকোট তৌবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী দেমোক্রেটিক রাইটসনি। মশাগী অপাম্বা মায়োক্তা মীয়াম্বু মীখলদা নমদুনা শরুক য়াহনবা ঙম্লোই হায়নসু মালিকনা ফোঙদোকখি।

কাশ্মীরি মীয়ামগীদমক থৱায় থাখ্রবা মীওইশিংদা ইকায়বা পীবা ওইনা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্বু নমদুনা শরুক য়াহন্নবা হোৎনরি হায়না গভর্ণমেন্টপু মরাল শীরদুনা য়াসিন মালিকনা হায়খি, মালেমগী মীয়ামদা কাশ্মীরগা মরী লৈননা অরানবা অমসুং শেমজিন-শাজিনবা পাউজেল শন্দোক্লবগী পান্দমদা নমদুনা এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্টকী মীখলশিংদা মীয়াম্বু শরুক য়াহন্নবা হোৎনরকপনি।

পনবা য়াবদি, মপান লৈবাক্তগী অরানবা মওংদা ফন্দ লৌথৈ হায়বগীদমক ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)না হুরিয়ট কন্ফরেন্সকী লুচিংবা সয়িদ অলি শাহ গিলানি অমসুং জে কে এল এফকী লুচিংবা য়াসিন মালিকপু মার্চ ২৮ দা ৱাহং-পাউহং চথনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। মার্চ ২৮ দা মালিককী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌবগা লোয়ননা এপ্রিল ৩ দনা গিলানিগী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌগনি হায়না ঈ দিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। সেপরেটিষ্ট লীদর অনীনা ফোরেন এক্সচেঞ্জ মেনেজমেন্ট এক্টকী ৱাংমদা মপান লৈবাক্তগী য়াম্লবা শেনফম অমা লৌখি হায়না মরাল শীরি।

# আগ্রাদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অনী থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):
আগ্রাদা ঙসি অয়ুক বোম পোকখায়বগী থৌদোক অনী থোকখ্রে।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না অহানবগী থৌদোক অদু অয়ুক পুং ৬.৪৫ তাবদা আগ্রা কেন্টনমেন্ট রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা থোকখিবনি হায়রি। রেলৱে ট্রেক্ট মনাক্তা লৈবা দম্পিং গ্রাউন্দ অমদা অহানবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অনীশুবা থৌদোক অদুনা মনাক নকপা স্লম অমগী য়ুম অমদা থোকখিবনি। আগ্রাগী বন্দাই রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথগনি হায়না কিহনবগী ৱারোল য়াওবা চেরোল অমা থাদোরকখ্রবা মতুংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

আগ্রাগী দিভিজনেল রেলৱে মেনেজর প্রভাস কুমারনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, য়ু পি পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখিবগা লোয়ননা লোকেল ফোরেন্সিক দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা পোকখায়বগী থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি।

অমোৎ-অকায় লংথোকফমদা ইখঙ খঙহৌদনা বোম পোকখায়রকপগী মখোল তাবদা মনাক নক্কা লৈবা মীওইশিং মীপাইবা পোক্লখি।

পুলিস ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, পোকখায়বগী মখোল তাখ্রবা মতুংদা মিনিট ১৫ রোম অমম্বা মৈখূ কারকপা মনাক নক্কা লৈবা মীওইশিংনা উবা ফংখি। ঙাইহাক লৈরগা রেলৱে ট্রেক্টতগী মিটর ২৫০ লাপ্পা মফম অমদা অনীরকশুবা ওইনা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদুদা মনাক নক্কা লৈবা য়ুমশিংগী ফক্লাং নীকখি হায়রি।

থৌদোক অনীমক্তা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক-অপন নংখিদে হায়না পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন লোইদ্রিবা মরম্না থৌদোক অদুগী মতাংদা ওফিসলশিংনা মখল অমত্তগী কমেন্ট পীয়ু হায়বা য়াখিদে।

পনবা য়াবদি, টেররিষ্টশিংনা মালেম শীনবা থুংনা মমিং চৎলবা টাজ মহলদা এটেক চথগনি হায়না কিহনবগী ৱারোল য়াওবা পাউজেল অমা সোসল মিদিয়াদা থাদোরকখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

BYS
Palace Compound (Macha Leima School)
# 9863284750/ 9856088990

2016 2015 2014 2013 2012



ADMISSION OPEN
CLASS - X FOUNDATION COURSE (BOSEM) EVENING BATCH
STARTING ON MARCH 09, 2017. CLASS TIMING: 4.30PM to 7.30PM

HL-B/3681/19/02-18/03 (Alt.)

লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3729/03/03-05/04